HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ




প্রোফেট মহম্মদকী ইকায় খুম্নবা শোকপা ৱাফমশিং ফোঙদোরকখিবা নূপুর শর্ম্মা অমদি নবিন জিন্দলবু চৈরাক পীয়ু হায়দুনা মোইরিজিং মিনা কৈথেলদা ইত্তিহাদুল উলামা অমদি জামিয়াতুল উলামানা ৱারুং মীফম ফমখিবা

৯লকশুবা সুক ষ্টেট লেভেল স্পেলিং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে
লামায় ২

সোনিয়া গান্ধী হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে
লামায় ৩

লৈবাক লৈহাও (সোইল) গী মরু ওইবা মচাকশিং অমসুং থৌদাংশিং ...
লামায় ৪

'দেমোক্রেটিক ওইবা প্রোটেষ্টতা মীওৎ-মীনৈ লেপ্পীয়ু'
লামায় ৬

কোসেমনা পাঙথোকখিবা ক্লাস ত্বেলভকী এগজামিনেসনদা আর্টস অমসুং সাইন্স ষ্ট্রিমদা ৩শুবা, ৭শুবা অমসুং ৯শুবা পোজিসন তারকখ্রবা মহৈরোয়শিংবু এম এল এ রামেশ্বরনা তরাম্না ওকপা



Vol. 46, Issue No. 078 | নিংথৌকাবা, ইঙাগী ১৪নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, June 13, 2022, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**HL Poll**

Q: Langol Reserved Forestki areada sajillakliba yum singsu leingakna eviction touduna takthokfam thoktabra?

**POLL CLOSES AT MIDNIGHT**

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Waithou amasung Usoipokpida lam khopchilli haibagi wathok aroiba waroisin purakpana chumloidra?

Yes 75% No 25%

**অস! লোইরেহে!**

- পুপু য়ু আর সো ষ্টুপিদ!



- হা হা হা, ইশুদি লাইরিক হৈ, ইংলিস লোন্থরে।

পাট্টা পায়বা য়াওরবসু ৱাইথৌ ১সুং উশোইপোকপীগী এনক্রোচরনি হায়বশিংগী মরাইবক

# য়ুম্বুশিংনা মমিৎতা মপি তারবসু ফোরেষ্টনা লানবন্দৌনা ঙাকহল্লগা য়ুমশিং শীদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী উমং লোয়শঙগী মখাদা প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভ ফোরেষ্টকী শরুকশিংনি হায়রগসু রেভন্যু লোয়শঙনা পীরম্বা পাট্টাশিং ফোরেষ্টকী লমদা পীশিল্লম্বনি হায়দুনা ককথৎলগা পাট্টা পায়রে হায়দুনা পর্মিনেন্ট ষ্ট্রকচরশিং ফাওবা শাজিল্লম্বশিংগা পাট্টা পায়দবশিংগা পুল্লপ এনক্রোচরনি হায়না লৌদুনা থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনদা অচৌবা লানফমগী লানবন্দৌনা য়াল্লবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং ঙাক শেল্লগা য়ুম্বুশিংনা মমিৎতা মপি তারবসু ৱাইথৌ অমসুং উশোইপোকপী এরিয়াগী য়ুম ৬৯ থুদেকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ৭তগী হৌরদুনা পুং ৫ চুপ্পা মফম অনীসিগী প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লমদা শাজিল্লম্বনি হায়বা য়ুমশিং অসি উমং লোয়শঙগী ওফিসলশিংনা জে সী বি ৫, প্রোক্লেন ২ শীজিন্নদুনা থুদেকখিবনি।

হৌখিবা এপ্রিল ২৩দা চীফ মিনিষ্টরনা খোংজোমগী খেবা চীংদা পাঙথোকখিবা খোংজোম নুমিৎকী থৌরম য়াওরুরগা হল্লকপগী লম্বীদা ৱাইথৌ অমসুং উশোইপোকপীগী প্রোটেক্টেদ/রিজার্ভ ফোরেষ্টকী এরিয়াশিংদা য়ুম কয়া শাজিল্লম্বা হকথেংননা থেংনরকপদগী য়ুমশিং অসিবু লৌথোক্নবা মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা অকনবা পাউতাক পীদুনা লাকখিবনি। ফোরেষ্টকী লমগী মেপ ফাওবা শেমদোক্লগা পাট্টা পীশিল্লম্বদা চেন্নবনি হায়বা অহল ২ ফাওবা ফাদুনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবনি।

মখা তানা লৈঙাক্কা চথরকপা থবক্তা রেভন্যু দিপার্টমেন্টনা মীওই খরদা দাগ চিথা/পাট্টা পীরল্লবসু মফমশিং ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## শীদোক্নুনা তকথোকখ্রবা য়ুমশিংদা লৈরম্বা মীতৈ অমসুং মীতৈ পাঙল ১০০ রোম লিলোং হাওরৈবি কোলেজগী হোষ্টেলদা হাংবা রিলিফ কেম্পদা লৈখ্রে

# চীফ মিনিষ্টরনা ১০০ দেজ এক্সন প্লানগী থৌরমশিং ঙসি পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) : মার্চ ২১, ২০২১দা ৱাশক লৌখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক্কী '১০০ দেজ এক্সন প্লান' গী মনুং চন্না শঙ্গাবা অমসুং উরেপ উয়ুং তম্বা য়াওনা নুমিৎ ১০০নিগী মনুং চনবা থৌরমশিং হয়েং ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা চীফ মিনিষ্টরনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নুমিৎ ১০০নিগী এক্সন প্লানশিংগী মনুং চল্লিবা প্রোজেক্ট/প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দ্রি লোয়শঙগী হোস্পিটাল ৩৬, দিসপেন্সরি ৭১, খুম্বোংগী ফিদ্দিং মিক্সিং প্লাননচিংবা য়াওরি। অদুগা ৱাংজিংগী মোইরাংপল্লি, হৈরোক, লৈমপোকপম, হিয়াংথাং অমসুং হৈঙাংগী ইবুধৌ মার্জিংগী লাইকোনদা পৱার দিপার্টমেন্টকী মখাদা ২X৫ এম ভি এ, ৩৩/১১ কে ভি সব ষ্টেসনশিং শঙ্গাবা য়াওরি।

লেবর এন্দ এমপ্লোয়মেন্ট লোয়শঙগী মখাদা ফেরজোল দিষ্ট্রিক্ট এনহান্সিং স্কিম দিভেলপমেন্ট ইনফ্রাষ্ট্রকচর (ঈ এস দি আই) গী মখাদা অনৌবা গভর্ণমেন্টকী আই টি আই শাগৎনবগী উরেপ উয়ুং তম্বা, রিকগনিসন ওফ প্রায়র লার্নিংগী মখাদা লেবর এন্দ এমপ্লোয়মেন্ট দিপার্টমেন্টকী ষ্টেট রিটর্নিশিংগীদমক মীওই ৯৪০০গী স্কিল দিভেলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকপসু য়াওরি।

অদুগা নুমিৎ ১০০নিগী এক্সন প্লানগী মনুং চন্না মণিপুর ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী মখাদা বেনিফিসরি লিশীং ১৬তা মখোয়গী ফংফম থোকপশিং ফংহনবা অমসুং সোসল ৱেলফেয়র লোয়শঙগী মখাদা চীফ মিনিষ্টরস ৱিদো পেন্সনগী মখাদা বেনিফিসরি লিশীং ১০দা মখোয়গী কান্নবশিং য়েম্থোকপগী থৌরমসু য়াওগনি হায়রি।

অদুগা ব্লু রেভল্যুসনগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টতা হায় কোর্টকী ওর্দর

# এসিস্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসরগী রিক্রুটমেন্টশিং রুলগী মতুংইন্না পাঙথোক্কদবনি

ইম্ফাল, জুন ১২ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্কী মরু ওইবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন (হোর্টি এন্দ এস সী) দিপার্টমেন্টকী ওইনা মখা তানা পাঙথোরক্কদবা লোয়শঙ অসিগী এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসর (এ এ ও) গী রিক্রুটমেন্টশিংদি লোয়শঙ অসিগী রিক্রুটমেন্ট রুলস, ২০১২গী প্রোভিজনশিং চেকশিন্না ঙাক্তুনা পাঙথোক্কদবনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্টকী দিরেক্সন অসি থা অসিগী ৭তা জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৩৬৭ ওফ ২০২২ লৌখৎতুনা খন্নরগা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা য়াওবনি। নুমিৎ অসিদা কোর্টনা পীখিবা তোঙান তোঙানবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা জন্যুৱারী, ২০২২গী অহানবা চয়োলদা লৈঙাক্কী কনফিদেন্সিএল এন্দ কেবিনেট দিপার্টমেন্টনা কেবিনেট মীফমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না থোকখিবা নোটিস অমগী মতুংইন্না লোয়শঙ অসিগী হোর্টিকলচর এসিষ্টেন্ট/ফিল্ড কন্সলটেন্টশিংবু এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিং ওইনা এবজোর্বসন/রেগ্যুলরাইজেসন তৌনবগীদমক থোকখিবা ওর্দর অদু ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লাকখিবদগী তৌদনা লৈরল্লবা মতুং মে ১৬, ২০২২দা থোকখিবা ওর্দর নম্বর ১৪/৭৬/২০২১-ঐচ এস সীগী মতুংইন্না এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবা অদুসু কোর্ট অসিদা ফাইল তৌরল্লিবা দব্লিয়ু পি (সী) নম্বর ৩৬৭ ওফ ২০২২ অসিগী ৱারেপকী মতুং ইনগদবনি হায়নসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কোর্ট অসিদা তোঙান তোঙানবা পিটিস্নর ১০না সিভিল রিট পিটিসন অসি ফাইল তৌরকখিবনি। মখোয়গী পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্টশিংনা কম্মিস্নর (হোর্টি এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসন), কম্মিস্নর/সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং হোর্টি এন্দ এস সীগী দিরেক্টরনি। ওফিসল ৩ অসিনা ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিং ওইরগা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্টশিংদা মীওই ১৩গী মমিংসু হাপ্লকখিবনি।

পিটিসন অসিনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা প্রাইভেট রেসপোন্দেন্ট ওইরিবা মীওই ১৩ অসিবু এসিষ্টেন্ট এগ্রিকলচর ওফিসরশিং ওইহনবগী থোকখ্রিবা ওর্দর অদু চৎনহনবীগনু। মরমদি লোয়শঙ অসিগী গ্রেদ-২ ওফিসরশিংগী রেঙ্কতা লৈরিবা পোষ্ট অসিগী মতাংদা কোর্ট অসিদা ফাইল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

